"কদোমদনো লম্বেলসিবু, চীনগা খুৎকা মায়দবা,
লমথুংফমগা লম্বেলগা শম্নবা।" - *এলাংবম নীলকান্ত (চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)*

# লৈরোং

## চহী মঙাগী শক্তিগী থাঙশাং পায়বশিং

**— বি মঙাং**

লৈঙাক মপু অচৌবনা
মোং হাদ লেপ্তুনা য়েংলি
গ্রুং-গ্রুং লাউনা চাক্লিবা মৈরি
অথাপ্পা খুঙগংগী চীংয়া তময়াদা
লৈবাক্কী কোনুং য়ৌরকই অৱাবৈ মপাউ।
হিংচাবশিং, মশাগী ময়ুম ইম্খোল লৈজদবশিংনা
লাঞ্জদবা, লিংজেল মায়দবশিং, য়েলহৌমীশিংগী
ময়ুম মকৈ নীংতম্লা মৈ থাদোকপৈ মপাউ
নাদা হাপ্তে মরোল থোক্তে।
মখুৎতা শক্তিগী থাঙশাং পায়রসু
মচি লেংদে, নাকল অমদা লেপ্লি।
য়াথং তৌথরকই, লাম্মী তেঙ্গেল কয়ামা
নোংখঙগী থাদরকই হিংচাবশিং ঙাক্লবা
মখোয়সু তেঙ্কা কায়দনবা ঙাকপী শেনবীরি
লেপ্লি লমহেন তুহেনবশিংগী মীচংদা।
মীচং শঙ্গল নায়রবা নকোক অদুনা
নোংপোক থোঙ হাংদুনা
পম্থুং য়ৌবৈ লম্বীদা অয়েৎ অপন থোক্তনবা
মীফৎতা হিংচাবশিংগী মরম ফাওরগা
করি হায়রকনি কিবনা নৎত্রা?
লাঞ্জদবশিংগী চহী ২০০০গী পুৱারী
মরোমদোম নীংখা তম্না লৈঙাক্লম্বে ৱারী
খোঙ্গাওনগে খল্লিবা মঙলান;
ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা থৌনা লিংজেল
লূ তোংদা চেল্লিবা মখৈ
ইরায় লায়না লাকচবা ঙম্মোয়।
ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রবা
পূন্সি মহিংনা রিলিফ কেম্পতা
কয়াম কুইনা হিংহনখিনি
চহী মঙাগী শক্তিগী থাঙশাং পায়বশিং।

## চাইথোকহৌরবা ৱাখল

**— ঙাংবম থবাতোম্বী**

অশংবা হানৌ য়েন্নৌ
নুংশিবা হৈনম লৈনম
ঙম্নমক পুবিখ্রগা অমত্তা খাক্তনা
হুমদোকপীখ্রগা মোংবা শঙ্গাই
ইকোক কোকহৌরবা
অহাঙবা ইতম্বাকসিদা
করিগী থম্বীরম্লিবা?
তনিক-তনিকপতনা থল্লবা
পাম্বৈ লৈজদ্রবা থম্মোয় অমগী মপু ওইনা।
শারবা কালেনগী মৈশারক্তা
মতম নাইদনা লাকখিবা
নঙগী অকি শকপুনরবা নোংথাংলক্তা
য়াওরকখিবা লেনগী
শৌদোকহৌরবা মনিলনা
মমশিল্লবা উন পুরবা ইশাইগোনসিদা
ফমথবা ঙমদনা লেপহৌরি
ঐগী চাইথোকহৌরবা ৱাখলশিংদি
পাম্বৈ লৈত্রবা অমগুম।
ওল্লাংথাগী অতিয়াদা
অখাক অরাওগী খোঞ্জেলগা
অমম্বা মনিল পুরদুনা
করম্না লাকখিবনো খঙহৌদে
লাউ খোংলদুনা নঙগী নতৌনা
তাইবঙ পূম্বা চৈথেং পীরগে মতাগুম।
মরালতনা থল্লবা তাইবঙদা
মীওইবগী অহেনবা শাজৎনা
লংজখিবরা নকাদা মশীং খঙদনা
অকল অরিং শীংলদুনা
কোকথোকখিবদা উমং, ৱামং কয়া কয়া
ফুঞ্জিনখিবদা পাৎ, তুরেলশিং
তেমথোকখিবদা লোইবী চীংমাইসু
নঙগী লূ-তোং খুদিংদা
ঈগী খোঙজেল লেপ্লক্তুনা
মৈচাক খাঙবদা ৱারক্লবদা
ফূইনা হোল্লিবা নিংশাগী শাহুল্লা
মীওইবনা চৈনা ফংলিবরা
হায়য়ু! হায়য়ুনে মহৌশা।

## লুচিংবা

**— ৱাহেংবম থোইবা মৈতৈ**

কনা লুচিংবনো লৈবাক্কী
মীচম মীয়াম অতোনবগী
নুংঙাইবা পূন্সি মহিং ফংনবা
লম্বী য়াৎতুনা থল্লম্বা।
ঙসিগী মালেম তাইবঙপান্দা
লুচিংবা কয়ানা শা-লান থোকহনবনি
মখোয় মখোয় নুংঙাইনবা
মীয়ামদগী লুচিংবা নিখিবনি।
অশেংবা লুচিংবা হায়বদুদি
লৈবাক্কী মপী মপা
ওইবা খক পামখিদবনি,
কথোকপা থাদোকপনা মাঙ থাখিবনি।
লুচিংবা কনানো কথোকপা য়াওখিবা
ৱাহৈদি মীচম মীয়ামগী
অমোনবা অহাওবা পুথোকপনি
তৌরকপা থবক্তি উদবনি।
ঙসিগী মালেমদা থোক্লিবা
শা-লান কয়াগী পাউ
লৈবাক-লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা
মশা মশাগী খন্দুনা থোকহনবনি।

## নুপী শৈথাবা

**— নিংথৌজম বিমোলা**

নুপীগী মপোকসে অফবা মপোক নত্তে
করি নুংগী নুপী ওইনা পোক্লুবনো?
মরাইবক থীবী মপোক্লি নুপীগী
অমরোমদনা পূম্নমক্কী তুংনফম্নি
মপুরোইবা নীংবীনি নুপীদি
মাগী নুপাবু ঈশ্বরনি খনবীনি
মচাগীদমক পুন্সি কথোকপা ঙম্বীনি।
নুপীগী পূক্নিদি লাইজ ঈশিংগুম্বনি
পূম্নমকপু ঈংথকনবা ঙম্বীনি
পূম্নমকপু পেলহনবা ঙম্বীনি
পূম্নমক্কী তুংনফম্নি
অৱা-নুংঙাইগী পোথাকফম্নি
নুপীগী মপোকসে অঙকপনি।
লৈনাগুম থোংগীনি
শকলোন পুবীনি
শেলগী শেম্ফু ওইবীনি
অশাওববু নেমথহনবা ঙম্বীনি
পুকচেল চাউবীনি নুপীদি
পীজ-পীথক ফবীনি
অঙকপনি নুপীগী মপোক।
মীবু শেন্নীবা ঙম্বীনি
মতিক মঙাল লৈবীনি
মালেমদা নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাওই
নুপীগী লমচৎ-শাজননা
নুপীগী লৈতেংনি নুপীগী
ফিজেং লৈতেংনা ইরমমসিবু চিংখৎলিবীনি
অঙকপা ঙাক্তনি নুপীগী মপোক।
নুপীনা ইরমদম মণিপুরগী
কয়ারক হন্না মিংচৎ-উরোং
থমখ্রবীনি নুপীবু লুনা
তৌবীয়ু মম পূম্বদা।

## ৱাখিগনি লৈবাক নীংবা য়াম্লিবা মখৈ

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লৈবাক নীংবা লৈবাকপু নুংশিবা
মশীং হেনগৎলক্লিবা মখৈ
লৈবাক অসি নোংমা নোংমগী
অৱাবদি অসুম হেনগৎলক্লি;
মসিবু লৈবাক অসিবু নুংশিবগী খুদম্লা।
হেনগৎলকখিগনি হেনসু হেনগৎলক্কনি
মখোয়শিং অসে মমা লৈবাক
নীংবা নত্তে মমা লৈবাক নীংবা শারদুনা
মশাগী ওইজবা থিবা ঙাক্তনি।
ফনা লাউই, ফনা ঙাঙই
তাদে মখোয়না হাপ্তে মনাদা,
মীখলগী মতমদা মখোয় মশেল
অফবা, ফত্তবা চিংথোক্লদুনা
হৌখ্রবা কয়াবু অমুক হন্না
লমায় হাংদোক্তুনা মীয়ামদা
ঐনা হেন্না ফৈ, মানা ফত্তবনি
হায়না মশক তাক্লবা হোৎনৈ।
লৈবাক নীংবা নখোয় অসিবো
অতোপ্পা গ্রহদগী লাকপরা
নৎত্রগা লমদম অসিগী লৈহাওদগী
চাওরকপরা, লৈবাক নীংবা মশীং
হেনগৎলিবা মখৈ ৱাখিগনি লৈবাক অসে।

## মৈতৈ নোংশা পাঙ্গল্লবা

**— এম নিলকুমারি**

মৈতৈ নোংশা পাঙ্গল্লবা
থোক্লি খূত্তা নূঙজাওশিং পায়দুনা
অহৌবা খোঞ্জেলনি, অয়াকপা খোম্থাংনি
চেম্থোরক্লবা মীয়াম পূম্বা
করিগী করম্না কনাগী করিগীদমক
পেন্দ্রবা থম্মোয়গী ৱাকৎ ময়াম্নি
থৱায় লিশীংগী ৱাকৎ লিশীংনি
থৱায়গা হকচাংগা খায়নখ্রবা
মৈরি চান্মনা চুরবা কুয়োমগী হকচাং
পেন্দবা ৱাখলনা কিশি চান্মা কিশিল্লবা।
অতিয়াদা নিল্লি খোম্থাং ময়াম্না
খোঞ্জেলনি, খোম্থাংনি পূম্নমক্কী খোঙচৎনি।
খোম্থাংনি অকি তুজুংগী খোম্থাংনি খোঞ্জেলনি
ঙাইরিবনি মতম অমগী হৌখ্রবা থৌনাগী ৱারী।
অথৌবা টিকেন্দ্রজিৎ-ইপু থাঙ্গাল জেনরেল
শাকোক অহুমগী লৈতেংনি
নোক্লা নোক্লা ফাঁসি শগায় কাখিবা
ফৈদাবুংদা য়েংহৌরি মায়কৈ তরা ওন্দুনা
ওঃ হল্লক্লরোইদ্রবরা?
চৎখ্রবা মৈতৈ নোংশা পাঙ্গল্লবা?

## কালেনগী পূর্ণিমা

**— অহোংশাংবম তানিয়া**

অদুঙৈগী পূর্ণিমা অহিংদা
মেংলবা থাবলগী ইপোল্লক্তা
মনীং তম্না চাকপা লাম্নৈ লক্তা
মালংনা লোন্না পুরকখি ইফমদা
নুংশিবা অদুঙৈগী লৈনম,
মফম খঙদা ককঙাওনা
লৈরাং লৈশক য়েংজনীং
মায়কৈ খুদিং থিজখিবা
শাৎলমখি নাইতোম থম্মোয়গী লৈকোলদা।
নীংজখি পূক্লিংনা তুশোন্না
অমম্বা ঈশৈগী শৈহেক্তা
লৈরাং লৈমন চনখ্রনি
পীক্লবা লৈকোলসে ওইহৌরনি!
নাকেম্থা নত্তে ওইখিবা
য়েন্নিংথানে ঐগীদি।
ইঙাগী ঈংলবা নোংলিক্লা
থৱায় লৈরাং লৈকা ফলহনখি
নৌনা থম্মোয় হুজখি,
অদুঙৈগী থৱানগী পূর্ণিমাদা।
শাৎলি ঙসিসু নুংশিবী লৈরাং
শম্বল খারা লৈকোল নুংশিদা।
নুংশিজৈ লৈরাং মাশে ঐদি
কেনখিদ্রনে শজিবুগী নোংলৈ নুংশিৎতা
কেনখিদবনি অদুঙৈগী নোংলৈ দদি!
শাৎখোকো অসুম থৱায় লৈরাং!

মতম মতমগী ৱাখল

# ওজা অহৈবম বীরেননা লৈখিদবদা



ময়াম্না ওজা বীরেন লম্বা হায়না খঙনবা ওজা অহৈবম বীরেন খঙহৌদনা লৈখিদ্রে । য়াম্না চাউনা মেশিনবা ঙল্লরোইদবা অহাঙবা অমা লৈহৌরগনি। ওজাগা মতম খর লোইনজহৌখি । হেন্না নকশিন্নখিবদি আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্টর অমদি মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম এফ দি সি) হায়রিঙৈদা মেনেজিং দাইরেক্টর ওইনা থৌ পুরিঙৈ কুম্শীং ১৯৯৬-৯৭গী মতমদনি। কুম্শীং ১৯৯৬-১৯৯৭ অসি মণিপুরী সিনেমানা চহী ২৫ মপুং ফারকপগী চহী অমা চূপ্না থৌরম পাংথোকখি। চহী অসিদা ৱার্ল্ড সিনেমানা চহী চাম্মা শুরকপগী নুমিৎসু তাখিবনা লমদমসিদা সিনেমাগীদমক হোৎনবীখিবশিং

য়াম্না চিনখি । হুল্লা শিন্দম, কৈশামথোংদা লৈবনা য়াম্না কন্না থাং-তাগী শিন্দম অসিদা খোং থাংজিন্দুনা থৌরম কয়া পাংথোকখিবা মতম অমা লৈখি। শিন্তাকপশিংনা কন্না মহৈ মশীং তম্বীদুনা চৎথরকখিবা থৌরম কয়াদা ওজাসু হুল্লাগী থৌমী ওজা অমা ওইনা য়াওবীদুনা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা পাংথোকপা থৌরমশিংদা ওজানা মকোক চিংদুনা শরুক য়াবকখি। মতম অদুদগীসু ওজাগা নক্লা লোয়নবা ফংজরকখি।

ওজা অহৈবম বীরেন লমদম অসিগী নাৎকী ওইবা থাং-তা, জগোয়-ঈশৈ, ফম্বাক লীলা-দ্রামা, খোরিরোল অরিবা পুয়া লাইরিকশিং অমদি মণিপুর ফিল্ম চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা চাউনা শরুক য়ারকখিবা অমসুনি। ওজা মশামক ওজা ওইনা, স্কোলার অমা ওইনা খ্বাইবু তাকপী তম্বীবতা নত্তনা ফম্বাক লীলা, দ্রামা অমদি মণিপুরী সিনেমাদা শক্তম লাংলকখিবা, চাউখৎনবা হোৎনরকখিবা মরুওইবা অমনি। স্কোলার, সোসিএল অমদি কলচরেল এক্তিভিষ্ট অমা ওইনা হৌরকই । থৱায় য়াওরকখিবা, নাৎপু নুংশিবা অমা ওইনা লাকখিবা অদুনা আর্ট এন্দ কলচর দির্পামেন্টতা থৌ পুরকখি, এম.এফ.ডি সি গী মেনেজিং দাইরেক্টর অমদি নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর দিমাপুরগী দাইরেক্টর ওইবীরমখি।

কুম্শীং ১৯৯৭ ৱার্ল্ড সিনেমানা চহী চাম্মা শুরকপগী থৌরম মণিপুরদসু চাউনা পাংথোকখি লোয়ননা মণিপুর সিনেমানা চহী কুম্নমঙা মপুং ফারকপা সিলভর জুবিলিসু তাখিবা মতমদা ওজানা মেনেজিং দাইরেক্টর অমা ওইনা ওর্গেনাইজিং কমিটিগী কনভেন্নর ওইনা শরুক য়াখি। চহী অমা চুপ্না, ইয়ার লোং সেলেব্রেসন হায়দুনা পাংথোকমীন্নখি।। ওজা বিরেনগী তোঙানবদি চাউথোক্তবা, অকে-অমৌ য়াওদবা অসিমদি তমজনীংঙাইনি। ওফিসকী থবক ওইরগসু ওফিসতা ঙাক্তা মীফম কৌখিদে । অহল-লমনশিংগী নাক্তা চৎলুবা, ৱা তান্নরুবা, খঙদবা হংলুবা, পাউতাক লৌরুবা, চৎলুসি হেক্তা হায়গনবা, নীংলকপদা হেক্তা পাঙথোকপসি তৌগল্লি । মদুগীদমক থোইদোকপা থৌরাং লৈতে। পাংথোকত্রিঙৈগী মমাংদা ইমাসি এম কে বিনোদিনীগী সঙ্গাইদা মীফম কয়ারক ফমখি। তৌগদবা পাংথোক্কদবা থবকশিং ইমাসিগী সঙ্গাইদা ৱা কয়ারক তান্নখি।

ঐহাক নীংশিংলি, ৱার্ল্ড সিনেমানা চহী চাম্মা শুরকপা অমদি মণিপুর সিনেমানা চহী কুম্নমঙা মপুং ফারকপা সিলভর জুবিলি থৌরম পাংথোক্লবা অচৌবা ওর্গেনাইজিং কমিটি অমা ওজানা কনভেন্নর ওইরগা শেমখি। মতম অদুদা মণিপুরী সিনেমাগী খোঙচৎসু ফরি, য়াম্না মশক থোক্লি, অচঙবা মী মাইকৈ শুনবা লৈরিঙৈগী মতমসু ওইখি। মণিপুরী সিনেমা চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াবীরকখিবা অহল-লমন, শক্লাইখিবশিং-ইমাসি এম কে বিনোদিনী, থোঙাম হরিদাস, করাম মনমুহোন, এলাংবম নীলকান্তা, জি রোবিন্দ্র শর্ম্মা, অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, জি নরায়ন শর্ম্মা. কে ইবোহল শর্ম্মা, হিজম রোমানি, অরাম্বম সমরেন্দ্র, মোইরাংথেম নীলমনি, অহৈবম বুদ্ধচন্দ্র, মাইবম অমুথোই (এম এ সিংহ), আর কে বিদুর অসিনচিংবনি। ইমাসি বিনোদিনী নত্তনা অতৈ অহল-লমনশিংদি ওর্গেনাইজিং কমিটিদা ওজা অহৈবম বীরেন্না এম এফ দি সি গী মেনেজিং দাইরক্টরগী ফম পুনা, কনভেন্নরসু ওইবীখি। মণিপুরগী ঙল্লিঙৈগী মতমদদি, মণিপুর সিনেমাবু নুংশিবীবা মীশিং য়াম্না লৈরম্মী। স্কোলার-পন্দিৎশিং, খোরিরোল সাহিত্যগী মী, মেডিয়াগী, ঈশৈ নোংমাই, লীলা-দ্রামাগী, অইবা অইবী অমদি জর্নেলিষ্ট ক্রিটিক্কী মীশিং চিংথবা লৈতনা মণিপুরী সিনেমাবু চাউখৎনবা হোৎনবদা শরুক য়াবীরম্মী । মণিপুরী সিনেমাগা মরী লৈনবা থৌরম অমা পাংথোকপদা হরাউহরাউনা লাখপীখি শরুক য়াবীরম্মী । ওজা অমদি স্কোলারশিংগী মরক্তা- আই আর বাবু, প্রো.এল দামুদোর, প্রো.নোংমাইথেম তোম্বী, খুমন্থেম প্রকাশ, বি জয়ন্তকুমার, কে সি নন্দ, ডা. ময়েংবম অক্ষয়কুমার, অসিনচিংবশিংনা মণিপুরীসিনেমাগীদমক পাংথোকখিবা ৱার্কশোপশিং, সেমিনার অমদি ফেষ্টিভেলশিংদা চাউনা শরুক য়াদুনা লাকখি। অহলশিংগা লোয়ননা তুংইনখিবা মতম অদুগী মণিপুরী সিনেমাবু চাউখৎনবা অমদি খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎনবা হোৎনবদা থৌনা ফখিবা নহারোল নুপা নুপী কয়া অমসু লৈখি। খরদং পঞ্জবা তারবদি- মেঘচন্দ্র কোংবম, রাজেন পাউনম, রাজেশ সলাম, খুন জয়কুমার, ডা.হামোম নবচন্দ্র, খাঙেম্বম কুলেশ্বর, কাংঙাবম তোম্বা, লাইময়ুম ধন্নচন্দ্র, লাইময়ুম সুর্জকান্ত, রাজকুমার জাননরঞ্জন, অরিবম চিত্রেশ্বর, অরিবম শান্তিইমো, ফুরাইলাৎপম শরত, ওকেন অমকচম, নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, সেৱা নিমাই, থৌঙম্বা থৌয়াংবা, চান্দ হৈস্নাম, খ্বাইরাকপম বিশ্বমিত্র, কিশোরকুমার, শমজেৎশাবম মঙ্গোলজাও, হুইদ্রোম নরেন অসিনচিংবনি। নুপী লক্তসু মশীংদি য়ামখিদে থৌদাং লৌবীখিবশিংগী মরক্তা খরদং পঞ্জবা তারবদি- য়েংখোম রোমা, রাজ কুমারি হেমাবতি, ৱাই পারবতি অমদি খাইদেম অনিতানি। ফোংনা চোংথোকপীদনা মনুংদা য়াওরকখিবী, ঐখোয়না খঙদবা য়াওরকপদা তাকপীবা, খুদিংমক্কী ৱারী ৱাখোং ঐখোয়দা লীবীরিবদি ইকায় খুম্নজরিবী চোংথাম ইচে কমলানি। ইচেগী মিং পন্দবা ঙমদে । ইমাসিগী হেক মথংদা ঐনা চোংথাম ইচেম্মা কমলাবু ইকায় খুম্নজরি। মণিপুরী সিনেমাগী, মতম ইশৈগী অমদি নাৎকা মরী লৈনবা ৱারী ৱাখোং খুদিংমক্কী হৌজিক ফাওবদা তাকপীদুনা অৱাৎ-অপা মেনশিনবীরিবসি ইচেখক্তনি।

লমদমসিগী নাৎ অমদি মণিপুরী সিনেমা, ইশৈ-নোংমাই লীলা-দ্রামা চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বসি লৈঙাক পায়বীখিবা অমদি মীয়ামগী পাখোল্লোইশিংগী মরক্তসু ঙল্লিঙৈগী মতম অদুদা য়াওবীরমখি। খরদং পঞ্জবা তারবদি চিফ মিনিষ্টর ওইবীখিবা রিশাং কৈশিং, আর কে দরেন্দ্র, মন্ত্রি ওইবীখিবশিং-ডা.এল চন্দ্রমণি, থৌদাম দেবেন্দ্রজিৎ, ডা.মোইরাংথেম নর মখোয়না লৌবিখিবা থৌদাংশিংদি মমাংদসু লৈখিদ্রি মতুংদসু উজবা ফংদ্রি। অসিগুম্বা মরুওইখ্রবা ময়াম অসিবু অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা মমল য়াম্লবা লমদমসিগী নাৎ, মণিপুরী সিনেমা অমদি পরফোর্মিং আর্টশিং চাউখৎনবা হোৎনবদা কন্না চেন-চোংবিরকখিবশিংগী মনুংদা ওজা অহৈবম বীরেন্নি। ওজানা থৌ পুরিঙৈগী মতমদা মণিপুরী নাৎ-কলচর, মণিপুরী সিনেমাগীদক পায়খৎপা য়াবা পোলিসি থৌরাং ময়াম অমা লৌখৎনবা ৱাফম য়াম্না খন্নখি। মসিদা মরুওইনা ৱা তান্নখিবা চেন চোংখিবা, অৱাৎ-অপা, ৱাফম পুথোকপা, লন্নাই ওইনা ফাওবা উন্নদুনা কন্না ৱাফম পুথোকপসি মেঘচন্দ্র কোংবম অমদি আর কে বিদুরনি। উন্নদুনা ৱারী ৱাখোং লৌফম ঐগ্যা শ্যাম, ঐগ্যা ইবোহল, ওজা অরাম্বম সমরেন্দ্র, অরাম্বম ওজা লোকেন অমদি ওজা এলাংবম নীলকান্তনচিংবা শক্লাইবশিংদগীনি। ফংলকপশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা পাউ তান্নফম্না ইমাসি এম কে বিনোদিনী অমদি ডা. মোরাংথেম নরগী মফমদনি। ইমাসিদা তম্লগদি মী উন্নরুসি মন্ত্রি, গভর্নরদা হায়রুসি হায়না মাঙ থাবীবসি ঙল্লিঙৈদা ইমাসিতনি। এম এল এ, মন্ত্রি ওইবা ওইদবা, আর্টপু নুংশিবা য়োকখৎচনিংবদগী ঙসি ফাওবা লেপ্লিবসি ডা. মোইরাংথেম নরনি। অদুগা মরি লৈনবা ফম পায়দুনা ময়াম্না হায়রকপা ৱাফমশিং থৱায় য়াওনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবীখিবসি ঐনা খঙজবদা ওজা অহৈবম বিরেন অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্টর ওইবীরম্বী ডা. কে সোবিতানি।

য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমত্তংদি, মতম কুইনদগী ঙাইরকখিবা কলচর পোলিসি, ফিল্ম পোলিসি অসি ঙসি ফাওবা মোং হাদনা লৈরি। মণিপুরী সিনেমাগী লময়ানবীরম্বা এস এন চান্দ মশামক্লসু ফিল্ম পোলিসি অসি ঙল্লিঙৈদগী পনবীরল্লে। কলচরেল পোলিসি অমদি ফিল্ম পোলিসিগীদমক প্রো.নীলকান্তা মশামক্লা চিয়ার লৌবীদুনা দ্রাফ কয়ারক তৌদুনা এক্সন কমিটি ফাওবা শেমদুনা লানখৎপীখ্রে । ডা নরনা মন্ত্রি ওইবা মতমদসু মশামক য়াওবীদুনা কন্না হোৎনখি।ওজা অহৈবম বিরেননা থৌ পুবা মতমদা, অমুক হৌদুনা ইমাসি বিনোদিনী, ডা মোরাংথেম নর, মেঘচন্দ্র কোংবম, য়াম্লুং রাজকুমার বিদুরনচিংবশিংগা লোয়ননা চঙশিনবা হৌখি । অথেংবদা ওজা অরাম্বম লোকেন্না লুচিংবীদুনা পুথোক্লুবা কন্না হোৎনবিখি । হৌজিক, ঙসি ফাওবা মিকপ থোক্তনা লৈরি। অহল লমনশিং কন্না চেনবীরম্বা ময়াম থুপখ্রে, লৈহৌরিবা খরসিসু মতু-মমান শোল্লে, ৱাখল হন্থরে । হৌখিবা মতমদা থৌনা লৈনা মণিপুরী সিনেমা, পরফোর্মিং আর্ট, খোরিরোল অমদি অতৈ লমদমসিগী নাৎ চাউখৎনবা কন্না হোৎনখিবা কয়া অদু ঙসি অহৈবম ওজা বিরেন্না লৈখিদবা অসিদা খঙনীং নীংশিংলক্লি। ওজাগী হকচাং মতম শাংনা শোন্না লৈরমখি। মহাক্লা পায়বিরম্বা, থৌ পুরিঙৈদা মপুং ফাখিদবা, ঙমহৌদবা কয়া অদুগী নুংঙাইতবা, ওমশিল্লগা লৈখিবা কয়া অদু ওজাগা উন্নবা খুদিংগী নুংঙাইতনা হেক হেক হায়বীরমখি। ওজা বীরেন্না নাকল অমদা পন্দিৎ খেলচন্দ্রগা তিক্ল তান্নদুনা কল্লিঙৈগী মতমদা অচৌবা থৌদাং অমা পাংথোকপিখি। লমদমসিগী মরু ওইরিবা অরীবা লাইরিকশিংগী মনুংদা 'চায়নরোল' অসি খনগৎতুনা ইংরাজিদা হন্দোক্তুনা ফোংদোকপীরমখি। ওজা মশামক থাং-তাগী ৱাখল্লোন চাউনা লৈখিবা, মতম শাংনা হুল্লা শিন্দম শঙগী থৌ পুরকখিবনা থাং-তা চাউখৎহনবা পামখি। অখন্নবা মিৎয়েং অমগী মখাদা লাইরিক অসি মালেমগী থাক য়ৌনবা ইংরাজিদা বল্লু লোইতোংবম (HRA) গা লোইননা হন্দোক্তুনা পুথোকপীরমখি ।

ইমাসি বিনোদিনীগী খুৎইদা, থৌয়াংবা থৌঙম্বনা, পি কে ফিল্মসকী বেন্নর মখাদা পুথোকখিবা 'ময়োফিগী মচা' হায়বা (মচু শংবা ৩৫ এম এম) মণিপুরী সিনেমাদা, গেষ্ট আর্টিষ্ট ওইনা, আর্মি মেজর ওফিসার অমগী শক্তম লাংদুনা ৱাঙ্খেম ললিতকুমারগা পাদুনা কুম্বীরমখি। চীং লেম্বা ওজাগী শাবান, ৱা য়াম্না ঙাঙদনা য়েংথোকলকপা মিৎয়েংদা, ঙাঙথোকলকপদা লেম্বা মওং মতৌ, মিৎতা উরি । আরয়ান থিয়েটরগী প্লে খর-অরাম্বম সমরেন্দ্রগী 'হিংনবা হিংবা' অমদি অতৈ ড্রামা খরসু ঙল্লিঙৈদা কুম্বীখি, লোয়নবা তিন্নজবদা, অচৌ-মচা খায়দবা, মীপূম খুদিংমক মরুপ-মপাং অমগুম, মচা-মনাও অমগুম লোয়নদুনা, নুংশিনা মোং- হাদনা, ফজবা ৱাহৈ-ৱাতানা তাকপী তম্বীখিবা ওজানি। ঐগী মরুপ, ডাক্তর পোৎশংবম শ্যামসুন্দর (রিটাইয়র্দ ওর্থো সর্জ্জন)না নোংমা হায়খি, "ঐখোয়গী পূন্সিসে, ময়ামগা পূন্না অচৌবা বস অমদা তোংলগা চৎমিন্নবগুম্বনি। মাগী মাগী য়ূম মপা য়ৌরগা অমমতা কুমথহৌবগুম ঐখোয় লোয়নমক মতম্না লাক্লবদা কুমথনহৌরগনি।"কয়াদা চুমখ্রবা ! পুন্সিসে নুংশিরকই, মণিপুরী সিনেমাগী, লীলা- দ্রামাগী, লাইরিক-লাইশুগী শিনফম কয়াদা লোয়নরম্বা ওজাশিং, অহল-লমন, মরুপ-মপাংশিং, মাগী মাগী য়ুমগী কোম্থোং মপা য়ৌদুনা কুমথনহৌরে ।। অসুম বস তোংদুনা চৎপদি য়ারোই, ঐখোয়সু য়ূম মপা য়ৌনরক্কনি। লৈখিদ্রবা ওজাবু নীংশিংঙি, নীংশিংবা মিৎকুপ্তা হৌখিবা লোইশিনখিদবা পাঙথোক্কে খনমিন্নখিবশিং মিৎতা উরকই, নুংশিরকই । হিংলিবা অহল-লমন, মরুপ-মপাংশিং খরদি লৈরি হায়বদি তাখি মখোয়না করম তৌরমগদবা, মৱা মপাউ তাখিদবা কুইরে। শোঞ্জবা নত্তনা পাঙ্গল লৈত্রে। মতম অমা তোয়না উন্নরম্বা কয়া অসুম লাপথোক্লরি। ঙসি ঐখোয়গী লক্তগী ওজা বীরেন লৈখিদ্রে। ওজাগী থৱায়না, ঈংনা চিক্লা পোত্থাবা ওইসনু । ওজাগী মফমদা খুরুমজরি। ● - *মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# ইপম্থৌগী লীচৈ

মামো চাউবহোইগী ইমুংসি অপীকপা খুঙ্গং অমগা চপ মান্নে। মী ফনা য়াম্মী। মামো চাউবগী মচাসি হায়দোকপদা ইকায়, ১১নি। নুপী অনীখক্লি, নুপা ৯নি। মোই মচিল-মনাও ৯সি ময়ূম-মকৈ লোইনা পাল্লে, মোইনা অমুক মচা খরা-খরা পোক্লরকপদা পীক্লা লৈরম্বা য়ূমদু মীশিং য়ামখৎলকপনি। চাউখ্রবা ইঙ্খোলদু হৌজিক্তি মরোই মকা অমা থাফম লৈরক্তে। য়ূম ময়াম অমা মরোং-মরোং লোংথোক্তুনা শান্নরে। মামো চাউবগী মচা অহলদগী হৌরগা মঙাশুবা ফাওবদুগীদি মশুসু অমুক লৈরবনি।

ঐনা মামো চাউবা হায়রিসি কুইরে লৈখিদবা, অদুবু অদুম মামো চাউবগী য়ূম, মামো হোইগী ইঙ্খোল হায়দুনা অদুম খঙনদুনা লাকই। য়ূমদুগী খ্বাইদগী অহল হায়বা তারবদি মচানুপা অহল তামো ইবোহলসিনি। ঙসিদি মোই ইমুংগী মী ফনা য়াম্মী, অমনা ঙাঙবা অমনা তাদবা, অমনা ঙাঙবা অমনা তাদবা তৌদুনা গা-গা, বেৎ-বা, বেৎ-বা ঙাঙনদুনা তামো ইবোহলগী মাঙ্গোলদুদা তিল্লিদু। মদুদা নুপীখৈদুনা খিৎ লাই য়াওই, মোইনা ঙাঙনরিবা ৱাদু ইন্দিয়াগা পাকিস্থানগা ওনশিন্নরগা লাউনবদু ঙাইরে। মোইবু ৱাতেম্নি হায়দুনা চৌক্রি অমদা ফল্লিবা তামো ইবোহল অমদি মাগী ইমুংগী মীশিংদুনা মরোল অমা চাইনাদু ঙাইরে। ইন্দিয়া-পাকিস্থান-চাইনা ৱারী শানবদু ঙাই তৌরিদো, ৱাহৈদি নুপীশিংনা খরা কল্লপ-কল্লপ খোন্দু থানরসু নুপাখৈদি নাকন্দা থাঙ য়েপ্পগা মখূৎতা মল্লা চৎপগী ৱাঙাঙ ঙাক্লি ঙাঙনরিদু।

ঐদি অহানবা উবদা কনা কনা কৈদৌরবনো, মী অসুক য়াম তিল্লিসিবো হায়দুনা মুন্নবু য়েংলুবনি। অদুগদি অতোপ্পা মী অমত্তা য়াওরমদে, মোইগী মী ঙাক্তা ওইরম্মী। ঐ খঙই মোইগী ইমুংসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ন্যুক্লিয়রগী বোম অমা শোয়দনা পোকখায়রক্তুনা অশি-অনা য়াওনরক্কনি হায়বসি। মরমদি মখোয়গী ইমুংসিদা মচিল-মনাও ঙাক্তনি হায়ববু থৌগল্লোন অমদি থকসি-খাসি হায়বদু অমত্তা য়াওনদে। নুপীশিং অদুনা হেন্না লাই য়াওই। মাগী-মাগী নুপাদা কামশিনবা য়াম্না কল্লি। অদুনা খারৌদু ঙাই, খি-খি কাম্নে। ঐগী ৱাখল অহৌবা খোঞ্জেল অমা তারকপদগী কায়হনখি।

"বাচৌসু অহল অমা ওইনা শেগা-মাইগা হায়দে, ইচেহলনা হায়বনা তাবা ঐখোয়না হায়বনা অঙাংনি হায়না তাবীদবা, সুমাই তৌরদি ৱা য়াম কাইনরক্কনি"

"কৈনো ৱা কায়নবা হায়দি, ৱা ঙাঙবদা ব্রেক খরা খরা ফাও, অঙাংনা য়াম্না ঙমশিল্লক্কনু, ঙসাইদগী তাগে হায়না তাবনি, হেনমল্লি"। তামো ইবোহলগী নুপীনা খুম্মী। মরক্কী মৌ অমনা অমুক মরক থৎচিল্লকই।

"ইচে য়াইমনা হায়সি করি কায়গে, ঐখোয়গী য়ূম মচা অমা শাজগে হায়বনি, লম্বী চঙফম লৈত্রে, মাগী মাগীনি হায়দনা সুম-সুম তুবৎ-তুবৎ কক-কক্তুনা লৌনখ্রদি মনীংদা শাবা ঐখোয়দি কদাইদা চঙদৌরিগে, উচেকতৌনা পাইরগা মহুমদা চঙবদৌনা চঙগদ্রো? লম্বী পীবা হায়বসিদি মশানা তাবনি"

মাগী ৱাদু অতৈ মৌ অমদি মচাশিং ময়ামদুনা য়ৌ-য়ৌ তৌনখি। মাঙ্গোলদু ভোটকী তানীংদবা মীটিং অমা তৌবদা তিল্লিবশিংনা ৱারী শানবদা নীলবদু ঙাই। পূমনিল নিল্লে। য়া-য়া, গা-গা মতৌ অমা তৌখ্রে। ঙাঙনা ঙাঙনা মৌ খরা অমদি কৈদৌদুইনো খঙদে, মফি শেমগৎপগা য়াওরিপোৎনি। ঐনবু খল্লিকো, "শোয়দ্রেদনা ঙসিদি, মে ৩, ২০২৩দগী হৌখিবা লানদু শ্বাইদা মচিল-মনাও মরকসিদা শোয়দনা চত্থরক্লগনি" হায়না।

তামো ইবোহলদু মকোক খোৎতুনা মরু লুকথরগা তূমিন লৈরম্বদগী মচিল-মনাওশিং, মনাওনুপীশিং, মচাশিংদুদা করিগুম্বা খরা হায়নীংবা মাল্লি। অদুবু হায়বা ঙমদে, মাগী নুপী অমদি মাগী মচাশিংনা করি অমুক হায়রক্কদগে হায়না মাগী নুপীদা য়েংখৎলুবদা, মাগী নুপীনা মঙোন্দা মমিৎ খারপ "ৱা ঙাঙবা য়ারোই" হায়বা মতাগুম য়েংলম্বদুদা কাংগে তৌরম্বা মচিনদু কাখৎলগা ঈশিং য়াউম অমা থক্লগা থুনা মচিন উমশিনখিবগুম উমশিনখি। ঐনা খল্লিকো, করিগুম্বা লান অমা চত্থরকপা তারবদি কমাই তৌসিগে, নুপীগী লান ওইরগনা ঈশিং বালতিন অমা হৈজিনবা, নুপা মখৈগী লান ওইরগনা চৈ অমা পায়রগা শেৎ-শেৎ কন্থরগা খাম্বা - গাইনা তান ইচা চাদনা মীগী মঙ মনুংগী ৱাদুদা মথোং চাদবা ৱাখল খনজিল্লকই।

তাঞ্জাদুদা ইপম্থৌ চাউবদো খঙনীং নীংশিংলকই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ইমান্নবা মশেল শান্নবদা মরৈ য়েৎনদুনা খূৎ য়াওনগে তৌরকপদা ইপম্থৌনা মাগী লীচৈ অকোনবদু পায়রগা লাউরকখিবদো "হায় নপায়ান্নি মচা কনা-কনানো, লৈরম্মু খঙগনি"। ইপম্থৌগী খোঞ্জেল তাবা অমদি লীচৈদু উবদা ঐখোয় খৎনরম্বশিং তূমিন-তূমিন লৈনৈ। ইপম্থৌনা চঙলক্লগা, "করিগীনো, কৈদৌ খৎনরিনো, খৎনবা য়াদে, উব্রা লীচৈসে, কৌনৌ ঐগী মাঙদা কৌনৌ" হায়না লীচৈদু থাঙ্গৎলগা ঐখোয়বু কৌনহন্দুনা চান্নহনখি। "মতুং অমুক হন্না অসুম্না তৌবা য়ারোই, হেক তৌবদা নয়াংলেন্দুদা ঐগী লীচৈসিনা শাম্থুগদবনি"। মদুদা ঐখোয় খূৎ শম্নরগা হন্নরকখিবদো, ইপম্থৌগী লীচৈদু কয়াদা মতিক ময়াই চেনখ্রবনো?

অদুগী লীচৈদু ইপম্থৌ লৈখিদবদগী ময়াই চমখ্রবা নৎত্রগা লীচৈদু মচা মশুশিংদুনা নুংশিদদনা মৈ থাদোকখ্রবরা? ঐ মখোয়গী ইমুংদা চঙলগা লীচৈদু অমুক্তা থিনীংলিয়ে, অদুগা লীচৈদু মেক্রুক মৈরা কৎতুনা অমুক্তা শাংনা তিংথোল্লগা খুরুমনীংলিয়ে। ইপম্থৌগী লীচৈ অদুগুম্বা ময়াম অমা ঙসিদি মথৌ তারক্লে। ঐ সুম তনশিল্লক্লে। খৎনগে খৎনহৌরো হায়দুনা ঐগী কাদা চঙশিল্লক্লগা ইপম্থৌগী লীচৈদুগী মরমদা য়াম্না খনখি - হৌজিক্কী মতমসিদা ঐখোয়গী লৈবাকসিদা ৱাৎলিবসি ইপম্থৌগী লীচৈদুনিকো। ●

- **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(১৭৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

পোলবী উরেঙ উচেক ফায়াম লৌদা। চোয়নৌ সনা তেংকোৎপু কোকতা থোনকৎনপু।

খানলৈ লৌবুক লৌকুমবী। নোংয়াই খুমল থীঙকোল মুবী য়াচা কৌবনা। য়েৎলোমদা থংনা ঙাকনা চৎ। হাওচেং লাংমৈনু মীংকৌবীনা। ওইদা থংনা খল। নোংয়াই খুমল লৈমানা য়ায়দা লাঙ। নুংশা মৈশা খালনা। হুমাই খোকশাং পায়না। খালৈ লৌবু লৌতাবীবু। লাইরেল মৈদিংঙুনা লুরক কোকলেল ককনা। খৌনাও লোলতোঙ লেন। তৌথোপ পোলাং শানা। কোকলেল পোলাংদা হাপনা পু। ৱাকয়ৈ মখুৎনেৎ হিহোল মরাঙ হৌ। তোংজেং ঈপোম থোকনা হিহোলনা। মাইকৈ অৱাং পাংবা লমদমদা । লাইরেল মৈদিংঙু ময়ুম তমনা হনলকলবদা। নোংয়াই খুমল খা থংবদা ফমবা অঙমবশিং। অদোল খুমল অৱাং ফমবা অঙমবা পুমনমক হৌনা। লাইরেল মৈদিংঙুবু হুয়েল লালথেংননবা তাননরকলে। লাল তালনরকপা খুমলশিংনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯷꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯄꯣꯜꯕꯤ ꯎꯔꯦꯡ ꯎꯆꯦꯛ ꯐꯥꯌꯥꯝ ꯂꯧꯗꯥ꯫ ꯆꯣꯏꯅꯧ ꯁꯅꯥ ꯇꯦꯡꯀꯣꯠꯄꯨ ꯀꯣꯛꯇꯥ ꯊꯣꯟꯀꯠꯅꯄꯨ꯫ ꯈꯥꯟꯂꯩ ꯂꯧꯕꯨꯛ ꯂꯧꯀꯨꯝꯕꯤ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯊꯤꯡꯀꯣꯜ ꯃꯨꯕꯤ ꯌꯥꯆꯥ ꯀꯧꯕꯅꯥ꯫ ꯌꯦꯠꯂꯣꯝꯗꯥ ꯊꯡꯅꯥ ꯉꯥꯛꯅꯥ ꯆꯠ꯫ ꯍꯥꯎꯆꯦꯡ ꯂꯥꯡꯃꯩꯅꯨ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯤꯅꯥ꯫ ꯑꯣꯏꯗꯥ ꯊꯡꯅꯥ ꯈꯜ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯩꯃꯥꯅꯥ ꯌꯥꯏꯗꯥ ꯂꯥꯡ꯫ ꯅꯨꯡꯁꯥ ꯃꯩꯁꯥ ꯈꯥꯜꯅꯥ꯫ ꯍꯨꯃꯥꯏ ꯈꯣꯛꯁꯥꯡ ꯄꯥꯏꯅꯥ꯫ ꯈꯥꯂꯩ ꯂꯧꯕꯨ ꯂꯧꯇꯥꯕꯤꯕꯨ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ ꯂꯨꯔꯛ ꯀꯣꯛꯂꯦꯜ ꯀꯛꯅꯥ꯫ ꯈꯧꯅꯥꯎ ꯂꯣꯜꯇꯣꯡ ꯂꯦꯟ꯫ ꯇꯧꯊꯣꯞ ꯄꯣꯂꯥꯡ ꯁꯥꯅꯥ꯫ ꯀꯣꯛꯂꯦꯜ ꯄꯣꯂꯥꯡꯗꯥ ꯍꯥꯞꯅꯥ ꯄꯨ꯫ ꯋꯥꯀꯌꯩ ꯃꯈꯨꯠꯅꯦꯠ ꯍꯤꯍꯣꯜ ꯃꯔꯥꯡ ꯍꯧ꯫ ꯇꯣꯡꯖꯦꯡ ꯏꯄꯣꯝ ꯊꯣꯛꯅꯥ ꯍꯤꯍꯣꯜꯅꯥ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯑꯋꯥꯡ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯃꯗꯃꯗꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯌꯨꯝ ꯇꯃꯅꯥ ꯍꯟꯂꯛꯂꯕꯗꯥ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯈꯥ ꯊꯡꯕꯗꯥ ꯐꯝꯕꯥ ꯑꯉꯝꯕꯁꯤꯡ꯫ ꯑꯗꯣꯜ ꯈꯨꯃꯜ ꯑꯋꯥꯡ ꯐꯝꯕꯥ ꯑꯉꯝꯕꯥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯍꯧꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯕꯨ ꯍꯨꯏꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡꯅꯅꯕꯥ ꯇꯥꯟꯅꯔꯀꯂꯦ꯫ ꯂꯥꯜ ꯇꯥꯜꯅꯔꯀꯄꯥ ꯈꯨꯃꯜꯁꯤꯡꯅꯥ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।